## ভিয়েটনাম অমসুং চাইনা মুক্নরি

হনোই, জুলাই ১৭(এজেন্সি):
ভিয়েটনামগী এক্সক্লু সিভ ইকনমিক জোনগী মনুং চনবা সাউথ চাইনা সিগী য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুকশিংদা লৈবা ওফসোর ওইল ব্লোক অমগী মনাক্তা ভিয়েটনামিজ অমসুং চাইনিজ জহাজশিংনা চয়োল কয়ামুক লীশাং শিৎনা অমগা অমগা হেনজিন্নদনা মুক্নদুনা লাক্লি হায়না ৰাশিংটন্দা বেজ তৌবা থিঙ্ক টেঙ্ক অনীনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

## ফাবগী মতম শাংদোকখ্রে

মোস্কো, জুলাই ১৭(এজেন্সি):
হৌখিবা চহীদা ক্রিমিয়াগী সমুদ্র খোংবান মনাক্তা রসিয়ন নেভিনা ফাখিবা যুক্রেনগী হিরোয় ২৪ গী মনুংদগী হিরোয় ৬ ৰায়েলগী মাঙওইননা মখা তানা থা অহুম অমগসু ফাজিন্দুনা থম্লবা মোস্কোদা লৈবা কোর্ট অমনা যুমশকৈশা নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে। যুক্রেনগী হিরোয়শিং অদুগা লোয়ননা মখোয়গী ভেসেল অহুম হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ২৫ দা কর্চ ষ্ট্রেটতা রসিয়ন নেভিনা নোংমৈ কাপশিল্লবা মতুংদা ফাজিনখিবনি।

# মুম্বাই এটেক্কী মাষ্টরমাইন্দ পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা ফারে



লাহোর, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
কুমজা ২০০৮ তা ইন্দিয়াগী মুম্বাই সিটিতা নুমিৎ ৪ নি চুপ্পা চথখিবা মিলিটেন্ট এটেক অমগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়না মরাল শীখ্রবা হাফিঝ সহিদ যুমশকৈশা নুমিত্তা পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা ফারে হায়না পঞ্জাব প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেন অমা ফোঙদোকখ্রে।

পাকিষ্টান্দা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং ফাবা পুনবগী কেম্প্যেন অমা চথরগনি হায়না লাউথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী ৰাশিংটন খোঙচৎকী মাঙওইননা টেরর মাষ্টরমাইন্দ অদুবু পাকিষ্টানি ওথোরিটিশিংনা ফাগৎখিবনি। য়ুনাইষ্টেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা হাফিঝ সয়িদ অসি মীওই ১৬০ হেন্না শিখিবা মুম্বাই এটেক্কী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং ইন্দিয়ানা মরাল শীরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপ লাস্কর-ঈ-তাইবা (এল ঈ টি) নৎত্রগা আর্মি ওফ দ প্যুর হৌদোকখিবা মীশক্লি।

অমরোমদা, সয়িদনদি মুম্বাইদা চথখিবা এটেকশিং অদুদা মহাক চেন্নবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেমিনরি ৩০০ অমসুং স্কুলশিং, হোস্পিটালশিং, পব্লিকশিং হাউস অমসুং এম্বুলেন্স সর্ভিসশিং য়াওরিবা মহাক্কী নেটৱর্ক অদুগা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়খ্রবনি।

সয়িদপু ফারিবদু সেন্ট্রেল পাকিষ্টানগী গুজরানৱালা টাউন মনাক্তনি হায়না পঞ্জাবকী গভর্নর সাহবাঝ গিলগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি। স্পোক্সমেন অসিগী মতুং ইন্না সয়িদতা মরু ওইনা শীরিবা মরালদি ইলিগেল ওইবা মওংদা মহাক্না অথিংবা থন্বা গ্রুপশিংগী ফন্দশিং খোম্বগী থবক চথৈ হায়বসিনি।

পঞ্জাব কাউন্টর টেররিজম দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা, সয়িদপু ফারিবসি প্রি-এরেষ্ট বেল লৌনবগীদমক্তা মহাক্না গুজারানৱালাগী কোর্ট অমদা চৎলিঙৈদনি। তৌইগুম্বসুং মহাক প্রি-এরেষ্ট বেল লৌনবা হোৎনবগী তঞ্জা ফংবগী মহুত্তা জুদিসল কষ্টদিদা মখা তানা রিমান্দ তৌখি।

চৈরকসিদা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টকী ওফিসর অমনা টেরর এটেক মাষ্টরমাইন্দ সয়িদপু ফাবা খক্লা মতিক চাবা খোঙথাং অমনি হায়বা য়ারোই হায়না পল্লদুনা মহাকপু ৰায়েল চথদুনা কনভিক্ট তৌগদবনি হায়খ্রে। মনি লোন্দরিং এন্দ টেরর ফাইনান্স ৱাটচদোগ ফাইনান্সিএল এক্সন ট্রাস্ক ফোর্সনা পাকিষ্টান্দা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং ফাইনান্স তৌবগী থবক লেপ্পবা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

# সাউদি অরাবিয়াগী জিঝান এয়রপোর্টতা হৌথিশিংনা দ্রোন এটেক চথখ্রে



দুবাই, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
চহী ৪গী য়েমেনগী লান দা ক্রোস-বোর্দর এটেকশিং হেনগৎলকপগী খোঙথাং অমদা সাউদি অরাবিয়াগী খা নোংচুপ থংবদা লৈবা জিঝান এয়রপোর্টতা য়ুমশকৈশগী অঙনবদা দ্রোন এটেক অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়েমেনগী ইরানগা মীচং চুংশিন্নবা হৌথি গ্রুপনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, য়েমেন্দা হৌথিশিংগা লান শোক্করিবা সাউদি লুচিংবা কোলিসনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা জিঝানদা লৈবা সিভিলিয়ন টার্গেটশিং তম্না লাকখিবা হৌথি দ্রোন অমা মখোয়না থত্তুনা লমখাংদা কাপথখ্রে হায়না ক্লেম তৌখ্রে। হৌথি মিলিটরি স্পোক্সমেন য়াহয়া সরিয়ানা হায়খি মদুদি, এটেক অদুনা সাউদি এয়রপোর্ট অদুগী ওপরেসনশিংদা অকায়বা চাওনা থোকহনখ্রে।

য়েমেনগী কেপিটেল সানা কন্ত্রোল তৌরিবা হৌথিশিংনা হৌখিবা থা খরা অসিদা সাউদি অরাবিয়াদা লৈবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবা কনখৎখিবনি। হৌথি এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা কোলিসন্না মরু ওইনা সানাগী অকোয়বদা লৈবা গ্রুপ অসিগী মিলিটরি সাইটশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া পাঙথোকখি।

য়েমেনগী বোর্দরগা নক্লবা সাউদি অরাবিয়াগী খা নোংচুপ থংবা জিঝান অমসুং অভা সিটিশিং তম্না লাকখিবা হৌথি দ্রোন অহুম সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না থত্তুনা কাপথখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কোলিসন্না ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী দ্রোন এটেক অদু সাউদি অরাবিয়াগী খামিস মুসহাটকা নক্লনা লৈবা কিং খালিদ এয়র বেজদা টার্গেট তৌদুনা চথখিবনি হায়না হৌথি স্পোক্সমেন সরিয়ানা ফোঙদোকখি।

হোদৈদাদগী ট্রুপ হন্দোকপদা খুদোংচানবা লান শোক্করিবা পার্টিশিংনা সীজফয়ার চৎনহন্নবগী অনৌবা থৌরাং খরদা য়ানরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা মতুংদা দ্রোন এটেকশিং অসি চথখিবনি।

# ম্যান্মারদা সু চিগী কন্সটিট্যুসন শেমদোকপগী ৱাফম শৌগত্তুনা মীওই চা কয়ানা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে



য়াঙ্গোন, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
মিলিটরিগী পৱার হন্থহন্নবা কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌবগী ৱাফম শৌগৎলদুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ম্যান্মারগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা য়াঙ্গোন্দা মীওই চা কয়ানা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, কন্সটিট্যুস্নেল রিফোর্মগী প্রপোজল অসিগী মায়োক্তা তোঙানবা প্রোটেষ্ট অমসু য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অথেংবদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখি হায়রি।

কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্দশিং ভিতো তৌবা ঙম্বা মিলিটরি লোমেকরশিংনা ওবজেক্সন তৌবা লৈন-লৈনা ওং সান সু চিগী রুলিং নেসনল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিনা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুএন্সিদা অহোংবা লাকহন্নবা কন্না হোৎনরিবনি। পার্টি অসিগা মীচং চুংশিন্নবদি নত্তবা কুমজা ২০০৮ গী কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌ হায়বা ময়েকশিং নম্বা হেদবে দশিং শীজিন্নবা এক্টিভিষ্টশিংনা দিমোনষ্ট্রেরশিং অদুবু লুচিংখি।

হৌজিক লৈরিবা গভর্নমেন্ট অসিনা লৈবাক অসিদা প্রোগ্রেস লৈহনবা পাল্লবসু কুমজা ২০০৮গী কন্সটিট্যুসন অসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না অফা-অপুন্নবা লৈতনা থবক তৌবা ঙমদে হায়না প্রোটেষ্ট অদুবু শীন-লাংলিবা পিয়া ফিয়ো ঝোনা ফোঙদোকখি।

ইলেক্টেদ লিদরশিংবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিং য়েংশিনবগী থবক তৌহনগদবনি হায়নসু পিয়া ফিয়ো ঝোনা দিমান্দ তৌখি। ম্যান্মারদা লিশাং শিৎনা মিলিটরি লৈঙাক লৈরক্লবা মতুং নোবেল লোরিয়েট সু চিনা মীখলদা চাওবা মায় পাক্লবা মতুং কুমজা ২০১৬ তা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী চুপ্পি মঙোন্দা শীন্নখি। তৌইগুম্বসুং লৈঙাক্কী পৱার অদু লৈবাক অদুদা চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন্না মরম ওইদুনা সু চিনা মিলিটরি জেনরেলশিংগা তঙাইফদনা পায়মিন্নবগী ফিভম লাকখিবনি।

# সুদানগী মিলিটরি কাউন্সিল, ওপোজিসন কোলিসন্না পোলিটিকেল একোর্দ সাইন তৌনখ্রে



খার্তুম, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
চহী ৩০ চুপ্পা ওটোক্রেটিক লৈঙাক লৈরকখিবা মতুংদা সুদান্দা দিমোক্রেসি লাকহন্নবগী পান্দমদা পুরকখিবা পৱার পায়মিন্নবগী দিল অমগী শরুক ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈবাক অসিগী রুলিং মিলিটরি কাউন্সিল অমসুং ওপোজিসন এলাইয়ন্স অমনা পোলিটিকেল একোর্দ অমা সাইন তৌনখ্রে।

থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা লাউথোকখিবা দিল অমা মখা তানা চৎনখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা নুমিৎ কয়ানিমুক চিংনবা লৈরকখিবশিং লেপহনখিবা এগ্রীমেন্ট অদু কেপিটেল খার্তুমদা অকুপ্পা ৱারোল কয়া অহিং চুপ্পা খন্নরবা মতুংদা অফ্রিকান মিদিয়েটরশিংগী মমাংদা খুৎয়েক পীনখিবনি।

লান অমদি পৱার মুন্নবগী থৌদোকশিংনা লাকহৎলবা হোর্ন ওফ অফ্রিকাদগী লিবিয়া ফাওবদা লৈরিবা ইরাং কল্লবা লমদম অমদা সুদানবু মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভমদা লৈহনবা হায়বসি সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা য়াম্না তঙাই ফদবা অমনি হায়না লৌনরিবনি।

মীয়াম্না চয়োল কয়া অকনবা প্রোটেষ্টশিং চথরকখিবা মতুং হৌখিবা এপ্রিলদা মিলিটরি লিদরশিংনা হান্নগী প্রসিদেন্ট ওমার অল-বাসিরবু মফমদগী চিংথুখিবা মতুংদা দিল অসিনা লৈবাক অসিদা পোলিটিকেল ট্রাঞ্জিসন পুরক্লবগী লন্বী ফাৎলগনি হায়না থাজনরি।

হৌখিবা জুনদা সেন্ট্রেল খার্তুমদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মপান্দা লৈবা প্রোটেষ্ট কেম্প অমা তানখায়নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুৎলায় শীজিন্নখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২৮গী পুন্সি লোমখি হায়না ওপোজিসনগা মরী লৈনবা মেদিকশিংনা ফোঙদোকখি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিনদি থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই ৬১ নি হায়খিবনি। পৱার পায়মিন্নবগী দিলগী মখাদা নাকল অনীনা ট্রাঞ্জিসন মতমগী মনুংদা সোভরেন কাউন্সিল অমা শেমদুনা থবক তৌমিন্নগদৌরিবনি।

# সিরিয়ান এয়র ফোর্সনা খুঙ্গংগী কৈথেলদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিরে : রেস্ক্যুৱরশিং



অম্মান, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
ওপোজিসন্না কন্ত্রোল তৌরিবা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবদা লৈরিবা খুঙ্গং অমগী মীয়াম্না পাম্নরবা কৈথেল অমদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিরিয়না এয়র ফোর্সনা পাঙথোকখিবনি হায়না থাজনরিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না রেস্ক্যু ৱার্করশিং অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুগী মীওইশিং অমদি রেস্ক্যুৱরশিংনা ফোঙদোকখিবদা, সাউদর্ন ইদিলিব প্রোভিন্সতা লৈবা মার সোরিন ভিলেজদা বোম কয়ামরুম থাদখি। ভিলেজ অদুদা বোম থাদরিবদু সিরিয়ান এয়র ফোর্সকী জেটশিংননি হায়না ৱার মোনিটরশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভিলেজ অদুগী মার্কেটকী মরু ওইবা লন্বী অমদা অশিবা হকচাংশিং অমদি অশোক অপন নংলবা মীওই কয়া তাদুনা লৈখি অমদি অকোয়বগী বিল্ডিং কয়া অমাঙ অতা থোকপা উখি।

রসিয়ানা লুচিংদুনা থা অনীমুক্কী মমাংদা সিরিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবদা লৈরিবা রেবেলশিংগী অরোইবা লানবন অমদা অচৌবা এটেক অমা চথবা হৌখিবদগী মীচম চা কয়া শিখ্রে হায়না রাইট গ্রুপশিং অমসুং রেস্ক্যুৱরশিংনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনদি সিভিলিয়নশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক তৌখি হায়বা ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা সিরিয়ন ষ্টেট মিদিয়ানসু মার সোরিনগী চিদাইদা লোত্তুনা লৈরিবা অল-কায়দা মিলিটেন্টশিংদা আর্মিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এটেক কয়া চথদুনা মখোয়গী বেজশিং থুগায়খ্রে অমদি টেররিষ্ট কয়ামরুম হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

লান অদুদা মীশি-মীনাশিং মোনিটর তৌবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা য়ু এন এজেন্সিশিংদা পাউদম পীরিবা সিরিয়ন নেটৱার্ক ফোর হ্যুমেন রাইটস (এস এন ঐচ আর)না হায়রি মদুদি, রসিয়ন-সিরিয়ন এলায়ন্সনা চয়োল ১১ চুপ্পা হালেংবা লৈতনা চথখিবা বোম্মিং রেইদশিং সিভিল দিফেন্স ফেসিলিটি ৩১, মেদিকেল সেন্টর ৩৭ অমসুং স্কুল ৮১ দা টার্গেট তৌখি।

এলায়ন্স অদুগী এটেকশিং অদুদা অঙাং ১৫৭ য়াওনা মীচম ৬০৬ শিখি। হৌখিবা কালেন্দা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বসর অল-অসাদ অমসুং মহাক্কী য়েক্লবশিংগী মরক্তা শোক্ল রকখিবা লান কনশিনহন্দুনা এপ্রিল ২৬ তা রসিয়ন জেটশিংনা সিরিয়ন আর্মিগী মতেং পাংদুনা ইদিলিব প্রোভিন্স অমসুং তাইনরিবা নোরদর্ন হমা প্রোভিন্সতা অকনবা এয়র রেইদশিং পাঙথোকখিবনি।

রেস্ক্যুৱরশিং অমসুং ৱিটনেসশিংগী মতুং ইন্না কেম্প্যেন অদুনা খুঙ্গং কয়া অমসুং টাউন কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতুং ইন্না রসিয়ন এয়র ফোর্সতা মতেং পাংবা সিরিয়ন ওফেন্সিভ অদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৩০,০০০ নমদুনা ময়ুম-মকৈ থাদোকহন্দুনা টর্কিগা তায়নবা বোর্দর মনাক্তা চেনশিন্নখ্রে।

# ইটালিয়ন অমসুং য়ু এস পুলিসনা মাফিয়াগী মীওই কয়া ফাগৎখ্রে

পলরমো, জুলাই ১৭ (এজেন্সি):
সিসিলিদা মাফিয়া পৱার হাউস নৌনা শেমগৎনবা হোৎনরিবা মরু ওইবা ক্রাইম ফেমিলিশিংগী মায়োক্তা ইটালিয়ন পুলিস অমসুং য়ু এস পুলিসনা তান্নদুনা ফাবা পুনবগী অচৌবা কেম্প্যেন অমা হৌরে হায়না ইটালিয়ন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসকী ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফ বি আই)গী ওফিসরশিং য়াওনা পুলিস ২০০ হেনবনা সিসিলিগী কেপিটেল পলরমোদা ওপরেট তৌরিবা ইনঝেরিলো ক্লান অমসুং ন্যু য়োর্কতা বেজ তৌবা গমবিনো ফেমিলিদা টার্গেট তৌদুনা অয়ুক অঙনবদগী চথরকখিবা কেম্প্যেন দা এরেষ্ট ৱারেন্ট ১৯ থবক্তা ওন্থোক্তুনা মীওই কয়া ফাগৎখি।

'কোসা নোষ্ট্রা' হায়না খঙনবা সিসিলিগী ওর্গনাইজ ক্রাইম গ্রুপ অসিগী মেম্বরশিং মীয়াম্না কি হঙ্গোইনরিবা গ্রুপ অসিগী বোসশিংগী মকোক ওইরিবা সালভাটোর টোটো রিয়াইনা শিখিবদগী মচোই মচোই তাবগী ফিভমদা লৈরকখি। ক্রাইম গ্রুপ অসিগী লুচিংবা অসি চহী ২৫ রোম জেলদা লৈরকখিবা মতুং কুমজা ২০১৭ দা জেল মনুংদা শিখিবনি। কুমজা ১৯৮০ গী মতুং তারকপা চহী কয়াদা রিয়াইনানা মেদিটরিনিয়ন ইথৎ অদুদা শাথিরবা মাফিয়া লান অমা হৌদুনা এনঝেরিলো ফেমিলিবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নমদুনা লোই চৎহনখিবগা লোয়ননা মশামক্কী ক্লান্না পলরমোদা লৈবা ইনঝেরিলো ফেমিলিগী মফম পায়শিনখি।

মতমদুদগী ওর্গনাইজ ক্রাইম ফেমিলি অসিনা ন্যু য়োর্কতা লৈবা অরিংবা মীচংশিংগী মতেংগা লোয়ননা মখোয়গী মমাংঙৈগী বিজিনেস পায়ননবা হোৎনদুনা লাকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। ন্যু কন্নেক্সন হায়না খঙনবা ইনভেষ্টিগেসন অদুদা কোসা নোষ্ট্রা পলরমো অমসুং য়ু এস ওর্গনাইজ ক্রাইম মরু ওইনা ন্যু য়োর্কতা বেজ তৌবা মতিক ময়াই লৈরবা গম্বিনো ক্রাইম ফেমিলিগী মরক্তা অকনবা মরী অমা লৈরম্বা থেংনখি হায়না পুলিস ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

## টালিবান্না অফঘান হেল্থ সেন্টর কয়া থিংজিনখ্রে

কাবুল, জুলাই ১৭(এজেন্সি):
টালিবান মিলিটেন্টশিংনা স্বেদিস চেরিটি অমবু মীচমশিংবু ঙাকপি-শেনবীবা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল অফঘান প্রোভিন্স অমদা লৈবা চেরিটি অসিনা চলাইবা হেল্থ সেন্টর কয়ামরুম নমদুনা থিংজিনহনখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা অফঘান ফোর্সশিংনা কাবুলগী নোংচুপ্তা লৈবা ৱার্দাক প্রোভিন্সতা বেজ তৌবা স্বেদিস কম্মিটি ফোর অফঘানিষ্টান (এস সী এ)দা অহিংগী মতমদা রেইদ অমা চথখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শিখ্রে হায়না এস সী এ অমসুং অফঘান গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

এটেক অদুবু এস সী এনা কন্দেম তৌখি। তৌইগুম্বসুং টালিবান্নদি এস সী এবু মীচমশিংদা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীবা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীখি।

এস সী এনা অফঘান ইমপ্লোয়ীশিংবু ঙাক শেনবা ঙমদবা মরম্না ঐখোয়না ৱার্দাক প্রোভিন্সতা মখোয়গী সর্ভিসশিং লেপহনবা পাম্মী হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেন ঝাবিহুল্লাহ মুজাহিদনা ফোঙদোকখি। এস সী এনসু টালিবান্না মখোয়দা ৱার্দাক্তা লৈরিবা হেল্থ সেন্টর ৭৭ গী মনুংদা ৪২ নমদুনা থিংজিনহনখ্রে হায়বা ৱাফম কনফার্ম তৌখি। খোঙথাং অসিনা পেসেন্ট ৫,৭০০ হেন্না শোকহনখি হায়বা এস সী এনা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, স্বেদিস চেরিটি অসিনা অফঘান প্রোভিন্স ১৪ দা অফঘান সিটিজন ৬০০০ হেন্না থবক পীরিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 450/SDC/Oinam of 2019**

1. R.K. Mahila Kabui W/o (L) E. Ibomcha Khanganba of Keinou Ayokpa (0.625 acre on western side)
2. R.K. Allan S/o (L) R.K. Thanilsana of -do- (0.87 acre)
3. R.K. Roshan Rongmei S/o -do- of -do- (0.625 acre on eastern side) ...Applicants

-Vs-

(L) E. Ibomcha Khanganba S/o (L) Leibakmacha of Keinou Ayokpa and 3 others. - O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Oinam, the 17th July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩২- কৈনৌগী পাট্টা নং ৪৭৬ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৩৩১, এরিয়া একর ২.১২ চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মখোয় অহুম্না মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মাগী শরুক মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- Victoria Huidrom***
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/3417/18

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

**Ref :- Mut. Case No. 311/SDC/IW/LC of 2019**

1) Longjam Thagoi Devi D/o (L) Iboton Singh of Kakwa Laiphrakpam Leikai.
2) Longjam Jibanlata Devi D/o (L) -do- of -do- ...*Petitioners*

-Vs-

(Late) Longjam Jandhabi Devi D/o (L) Iboton Singh of Kakwa Laiphrakpam Leikai. ...Opposite Party

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Lilong Chajing, the 16th July, 2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস দি সী লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৬৩-লাইফ্রাকপম লৈকায়গী অরিবা পাট্টা নং ২০, অনৌবা পাট্টা নং ৫৮, দাগ নং ৯২, এরিয়া ০.১৩০০০ একর চাউবা ইখ্যোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং (১) লোংজম জানধবী দেবী পীং মৃ: ইবোতোন সিংহ সাং ককৱা লাইফ্রাকপম লৈকায় অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং ককথৎলগা মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিং (কো: পাট্টাদার নং ২ অমসুং ৩) গী মমিংদা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইখ্যোল অসিগী মরীদা আপতি তৌনীংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা 'নোটিশ' অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরদ্রগদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি, মতুংদা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,** Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/3415/18

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST-PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 604/SDC/IW (P) of 2019**

Chongtham Nabachandra Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Tongbram Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

1. Chongtham (Ongbi) Iraileima Devi W/o (L) Khomba Singh of Tongbram Leikai.
2. Chongtham Nabachandra Singh S/o (L) Ibomcha Singh of -do-
3. (Late) Chongtham Surchandra Singh S/o (L) -do- of -do-
4. -do- Inaocha Singh S/o (L) -do- of -do- ...*Opposite Parties*

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

17/7/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি, ঈ ও পাৎশোই তহশিলগী খুল নং ১০৪/লাংজিংগী পাট্টা নং ৭২ (অরিবা), ৮৪ (অনৌবা) গী দাগ নং ৪৩৮ অমসুং ৪৩৯গী এরিয়া ১.০০০০০ + ০.৪০০০০ = ১.৪০০০০ একর, ফৌরেন অসিগী মনুংদা কো-পাট্টাদার নং (৩) ওইবা অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিসু ওইবা অদুগা কো-পাট্টাদার নং (২) সু ওইবা অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী ফংফম থোকপা শরুক্তা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা দংকারিনা মনাওনুপাগী স্বর্তদা অমদি দখলগী মতুং ইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা দরখাষ্ট থারকপসিদা য়েৎপীনীংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা মশুশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং২৫/০৭/২০১৯ ইংগী অয়ূক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

HL-P/3416/18 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Patsoi

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM**

**Ref :- Mutation Case No. 474/SDC/Oinam of 2019**

1. Yanglem Ibemcha Devi
2. -do- Nalini Devi
3. -do- Mema Devi
4. -do- Bimola Devi all D/o Y. Beighya Singh of Yumnam Khunou ....Applicants

-Vs-

(L) Mutum (N) Yanglem (O) Ibeton Devi W/o Y. Iboton Singh of Yumnam Khunou. - O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Oinam, the 17th July, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৩১- য়ুম্নাম খুনৌগী পাট্টা নং ১৪৩ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১১৯১, এরিয়া একর ০.৫০ চাউবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারি মরিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- Victoria Huidrom***
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-P/3417/18

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 582/AS&SO/TBL, Dt. 15/07/2019**

Soibam Ratan Singh S/o (L) Ibobi Singh of Thoubal Achouba. - Applicant

Vs

(Late) Soibam Ibobi Singh S/o (L) Tomcha Singh of Thoubal Achouba. -Opp.

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Dt. 16/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ১০৪১ (অরিবা), পাট্টা নং ৯৫১ (অনৌবা), দাগ নং ৬২৩৭ এরিয়া .০৬০০ হেক্তর চাউবা ইখ্যোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা সোইবম রতন সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

***Sd/- M. Ningthembi Singh***
Asstt. Survey and Settlement Officer, TBL., Govt. of Manipur

HL-P/3250/18